৮শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিএল হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২০

# নুপামচাগীদা হোক্কি য়ুনিয়ন অমদি এম এল ঐচ য়ু, নুপীমচাগীদা ৱাই সী সী আই সী (বি) অমদি এস ৱাই য়ু সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস):
ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা শীন্দুনা ইবুধৌ মোইজিংগী শান্নবুঙদা নুপামচাগী টিম ১০ অমদি নুপীমচাগী টিম ৬না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা '৮শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিএল য়ু-১৫ বোইজ এন্দ য়ু-১৭ গর্লস ৭ এ-সাইদ হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২০' ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেচশিংদা হোক্কি য়ুনিয়ন অমদি এম এল ঐচ য়ু মায় পাকখ্রে। নুপীমচাগীদা ৱাই সী সী আই সী (বি) অমদি এস ৱাই য়ু সী থোইখ্রে।

নুপামচা য়ু-১৫গী অনীশুবা মেচ ওইনা হোক্কি য়ুনিয়ন অমদি কে ঐচ এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা হোক্কি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী এ মনিমতুম জর্সি নম্বর ১২না শান্নবগী ৪শুবা মিনতা পাঞ্জল চন্দুনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি। কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী ক্বার্টর অসিদা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লবা ফাওবদা হোক্কি য়ুনিয়ননা ১-০দা হেনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা হোক্কি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মখা তানা দায়ল মাইবম জর্সি নম্বর ১৮না শান্নবগী ২৪, ২৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী হাপচিনবা ঙমখি। ক্বার্টর অসিদসু কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা হাফচিনবা ঙমখিদবদগী হোক্কি য়ুনিয়ননা ৩-০দা মাংজিল থাখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকখি। ক্বার্টর অসিদসু হোক্কি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী টিম অসিগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা দায়লনা মখা তানা পাঞ্জল ৪ শান্নবগী ৩৫, ৩৬, ৪১ অমদি ৪২শুবা মিনটতা হাপচিনখি। লোয়ননা দল্লীয়ু দেসিরনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা স্কোর বোর্দতা টিম অসিগী পাঞ্জল পুন্না ৮ লৈখি। কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী ক্বার্টর অসিদসু পাঞ্জল অমা ফাওবা হাপচিনবা ঙমখিদে।

মেচকী মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা হোক্কি য়ুনিয়নগী পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখ্রবা দায়লনা মহাক্কী ৭শুবা পাঞ্জল হাপচিন্দুনা কে ঐচ এস সীবু পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীখি।

নুপামচা য়ু-১৫গী অহুমশুবা মেচ ওইনা কে ঐচ এস সী (এ) অমসুং এম এল ঐচ য়ুগা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি এম এল ঐচ য়ুনা কে ঐচ এস সী (এ)বু পাঞ্জল ৬-২দা থোইখি। এম এল ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী নেলসন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল ৩, কে বিক্রম জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল ৩ অমদি শ্যামসন জর্সি নম্বর ৫নাপাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। কে ঐচ এস সী (এ)গী মায়কৈদগী কে ঐচ বোরিস জর্সিনম্বর ৪ অমদি হরিস জর্সিনম্বর ৫না পাঞ্জল অমমম চনখি।

নুপীমচা চহী ১৭ মখাগী অহানবা মেচতা ৱাই সী সী আই সী (বি) অমসুং মৈরা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ৱাই সী সী আই সীনা মৈরাবু পাঞ্জল ৬-০দা চাওনা মায়থীবা পীখি। ৱাই সী সী আই সী (বি)গী মায়কৈদগী এম তনিসা চনু জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল ৩, কুলক্ষি চনু জর্সিনম্বর ১১, অথোই দল্লীয়ু জর্সি নম্বর ৮ অমদি রিনা কে জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমমম চনখি।

নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী অনীশুবা মেচতা ৱাই সী সী আই সী (এ) অমসুং এস ৱাই য়ু সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি এস ৱাই য়ু সীনা ৱাই সী সী আই সী (এ)বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। এস ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী বিদ্যালক্ষ্মিনা পাঞ্জল ২ চনখি। ৱাই সী সী আই সী (এ)গী মায়কৈদগী নতালি জর্সিনম্বর ৪না পাঞ্জল অমা চনখি।

৩৬শুবা ষ্টেট মেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০

# সি আর পী এফ পোলোনা শমুরৌ পোলো ক্লবপু, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলোনা ই এস সী (এ)বু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস):
ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ)না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ৩৬শুবা ষ্টেট মেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা সী আর পী এফ পোলো টিমনা শমুরৌ পোলো ক্লব (এ)বু পাঞ্জল ৫-১দা অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা ই এস সী (এ)বু পাঞ্জল ৯-৪দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা সী আর পী এফ পোলো টিম অমসুং শমুরৌ পোলো ক্লব (এ) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা চকরদা সী আর পি এফকী মায়কৈদগী মোহিন্দ্রো জর্সি নম্বর ২, টি ঐচ তোম্বী জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমমম চনখি। চরক অসিদা শমুরৌ পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা চকরদা সী আর পী এফকী মায়কৈদগী মোহিন্দ্রে জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। শমুরৌ পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা অনীশুবা চকর লোইশিল্লবা ফাওবা সী আর পী এফ পোলোনা শমুরৌ পোলোবু পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থাখি।

মেচকী অহুমশুবা চকরদা সী আর পী এফনা মখা তানা শান্নরকপদা টি ঐচ সুসিল জর্সি নম্বর ৬ অমসুং রোজর জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমমম হাপচিনখি। লোয়ননা চরক অসিদা শমুরৌগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় অবুংনা চনখি। মেচ অসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চকরদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী মেচ অসি সী আর পী এফ পোলো টিমনা শমুরৌ পোলো ক্লব (এ)বু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন অমসুং ই এস সী (এ) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা চকরদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অতাংবা জর্সি নম্বর ১, টি ঐচ জেকোপ জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অমমম চনখি। চরক অসিদা ই এস সী (এ)গী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

মেচ অসিগী অনীশুবা চকরদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অতাংবা জর্সি নম্বর ১, ওজিৎ জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমমম চনখি। চরক অসিদা ই এস সী (এ)গী মায়কৈদগী সুরজ জর্সি নম্বর ১, এ লময়ানবা জর্সি নম্বর ২, কেমরুন জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমমম চন্দুনা স্কোর বোর্দতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবানা ই এস সী (এ)বু পাঞ্জল ৪-৩দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচ অসিগী অহুমশুবা চকরদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অতাংবা জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল অমা অমদি টি ঐচ জেকোপ জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল ২ পুন্না পাঞ্জল ২ হাপচিনখি। চরক অসিদা ই এস য়ু (এ)গী মায়কৈদগী কেমরুন জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমখক হাপচিনবা ঙমখি।

মেচ অসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চকরদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসনগী ওজিৎ জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। লোয়ননা ই এস সী (এ)গী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদবদগী মেচ অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা ই এস সী (এ)বু পাঞ্জল ৯-৪দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# রিএল এফ সী অমসুং এল কে ৱাই দি এ পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস):
দি এস ইন্টরপ্রাইসিসনা স্পোন্সর তৌদুনা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব লৈশাংখোঙ মনিং লোংজ লৈকাইনা শীন্দুনা য়ু আই সী শান্নবুঙদা চত্থরিবা 'অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল অন্দর ৪০ কেজি ৪-এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা রিএল এফ সী অমসুং এল কে ৱাই দি এ পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখ্রে। গোল্ডন এফ সী, থোইবা এফ সী, ওল এফ সী উরিপোক অমদি য়ু কে সী সী এল মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা রিএল এফ সী (টোপ সিফাই) অমসুং এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ লম্বা তৌখি। মেচ অসিদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা ড্রো চৎখি। রিএল এফ সীগী মায়কৈদগী ৱারিস খান জর্সি নম্বর ১১না চনখি। এল কে ৱাই দি এগী মায়কৈদগীনা সঞ্জয় জর্সিনম্বর ১০না চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা রিএল এফ সীগী শান্নরোয় ৱারিসনা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা গোল্ডন এফ সী পেলেস কম্পাউন্দনা এন ৱাই কে থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীব া পীখি। গোল্ডন এফ সীগী পাঞ্জল অদু সুরজ জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল ২ অমদি লাঙম্বা জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অমা চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা গোল্ডন এফ সীগী সুরজ জর্সি নম্বর ১০না ফংখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা থোইবা এফ সী হৈরোক্না কে এ এফ এবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। থোইবা এফ সীগী মায়কৈদগী বিক্রমজিৎ জর্সি নম্বর ১০না চনখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা ওল এফ সী উরিপোকনা ৱাই পি এ সীবু পাঞ্জল ১৪-০দা চাওনা মায়থীবা পীখি। ওল এফ সীগী মায়কৈদগী রোহেন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল ১০, লালমিনলুন জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল ৩, থেম্ময়া জর্সি নম্বর ১৫না পাঞ্জল ১ চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা রোহেন জর্সি নম্বর ৯ ওল এফ সীগী শান্নরোয়না ফংখি।

মঙাশুবা গ্রাউন্দদা য়ু কে সী সী এল না এন এস ওবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী এম বিক্রম জর্সি নম্বর ৪না চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা এন এস ওগী শান্নরোয় পি মিল্লিনিয়মনা তাখি।

১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# পি এফ সী ফাইতোলনা আর ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস):
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা ১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি অহৌবা নুমিৎকী মেচতা পি এফ সী ফাইতোলনা আর ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা দিবোং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান আর কে নোবিনসনা, এ জে এস এগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা দাইসতা ফমখি।

অহৌবা মেচতা পি এফ সী অমদি আর ৱাই সী লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা পি এফ সীগী লেটমিনলুং জর্সি নম্বর ১০না টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি। আর ৱাই সীগী মায়কৈদগী গ্লোরি জর্সি নম্বর ২১ অমদি কপাওজাং জর্সি নম্বর ১০না মথং শীৎনা ৩৪ অমসুং ৪০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মখোয়না পি এফ সীবু ২-১দা মাংজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। পি এফ সীগী মায়কৈদগী টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লেতমিনলুংনা ৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। মদুগী মতুং ৭৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোয় জাইরোম জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মেচ অসি পি এফ সীনা আর ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি।

অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেস্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# এম কে আর বি এফ একাদেমীনা পুন্না পোইন্ট ৮৭ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



বেষ্টে বোক্সর বোইচান্দ বাইতে অমদি সনাথোই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস):
মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা জনুৱারী ২৭তগী খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা চত্থরিবা অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেস্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) ২০২০দা এম কে আর বি এফ একাদেমীনা গোল্ড ১৫, সিলভর ১৬ পুন্না পোইন্ট ৮৭ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইরে। অহানবা রন্নর্সঅপতা এস আর বি এনা গোল্ড ৮, সিলভর ১২ পুন্না পোইন্ট ৪৮ ফংদুনা তাখি। অদুগা অনীশুবা রন্নর্সঅপতনা এন বি এ (এ)না গোল্ড ৫, সিলভর ৪ পুন্না পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা ওইখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী বেষ্ট মেল বোক্সরনা এন বি এ-দিগী বোইচান্দ বাইতেনা তাখি। বেষ্ট লুজর বোক্সরনা এম কে আর বি এফ (এ)গী কোমতিংথাং কিপগেননা ফংখি। অদুগা নুপীগী কাংলুপ্তা বেষ্ট ফিমেল বোক্সরনা টি বি এগী সনাথোইনা ওইখি। বেষ্ট লুজরনা এ বি এগী মাইস্নাম ইচলনা ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী সব জুনিয়র বোইজগী কাংলুপ্তা গোল্ড ফংখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি কে জি ৩১গীদা টি ঐচ নিখিও, কে জি ৩৩গীদা সি ঐচ নাওবা, কে জি ৩৭কীদা এম জেট, কে জি ৪০গীদা থাইমৈ জেক্সন, কে জি ৪৩গীদা রাজকুমার, কে জি ৩৫কীদা পি এস মাসুংচুই, কে জি ৩৭কীদা টি অমর্জিৎ, কে জি ৪০গীদা এম দি মুজাহিদ, কে জি ৪৩গীদা কে ঐচ দেনিসন, কে জি ৪৬কীদা এন জি জুপিতর, কে জি ৪৯গীদা লৈভোন মিলাত কোম, কে জি ৫২গীদা এ সাকিল, কে জি ৫৫গীদা টি ঐচ বিশ্বামিত্রা, কে জি ৫৮গীদা টি ঐচ ধনঞ্জয় অমদি কে জি ৬১গীদা এস রোবিন্সননা ফংখি।

জুনিয়র বোইজগী কাংলুপ্তা গোল্ড ফংখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি কে জি ৬৪গীদা বিসো রোংকোতিনসন কোইরেং, কে জি ৪৮গীদা আই মালেমঙানবা, কে জি ৫০গীদা এন সোমানন্দ, কে জি ৫২গীদা এম কিসন, কে জি ৫৪গীদা ৱাই হেনরি, কে জি ৫৭গীদা কে রোসন, কে জি ৬০গীদা টি ঐচ লিনিসন, কে জি ৬৩গীদা এল কামিনিকুমার, কে জি ৬৬কীদা এম নিলান অমদি কে জি ৭০গীদা এল রাহুলনি।

য়ুথ এন্দ ইলিট মেন্সকী গোল্ড ফংখ্রবশিংদি কে জি ৪৯গীদা এম দি নিজামুদ্দিন, কে জি ৫২গীদা ঐচ ভিমজিৎ, কে জি ৫৬গীদা এন প্রিয়োব্রতা, কে জি ৬০গীদা বোইচার্দ বাইতে, কে জি ৬৪গীদা মাইসন, কে জি ৬৯গীদা এন মোইনাও, কে জি ৭৫গীদা কে ঐচ সনামচা, কে জি ৮১গীদা রাহুল থাপা অমদি কে জি ৯১গীদা নভেল কিসোরনি।

সব জুনিয়র গর্লসকী গোল্ড ফংলবা বোক্সরশিং অদুদি কে জি ৪৩গীদা এল সুসিবালা, কে জি ৪০গীদা এল ফোনিয়া, কে জি ৪৩গীদা দিকিলা লেপচা, কে জি ৪৬কীদা ই থোইচা, কে জি ৪৯গীদা এম সাগর অমসুং কে জি ৫২গীদা এস সুরমালানি।

জুনিয়র গর্লসকী কাংলুপ্তা গোল্ড ফংখ্রবশিংদি কে জি ৪৬গীদা এস অথোই, কে জি ৪৮-গীদা এম লক্ষ্মি, কে জি ৫০গীদা কে বন্দনা অমদি কে জি ৬৩গীদা মেলোদি কিলোংনি।

ৱিমেন য়ুথ এন্দ ইলিটতা গোল্ড ফংখ্রবশিংদি কে জি ৪৮-গীদা তিংমিলা দোঙেল, কে জি ৫১গীদা সনাথোই, কে জি ৫৪গীদা কে ঐচ সামিম ভানু, কে জি ৫৭গীদা বোইচোং, কে জি ৬০গীদা সোনিয়া, কে জি ৬৪গীদাএস বিনিতা, কে জি ৬৯গীদা এন মেনেকা অমদি কে জি ৭৫গীদা টি ঐচ সনামচানা ফংখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা চীফ গেষ্ট, এম এ বি এগী প্রসিদেন্ট এন জি তেজকুমারনা প্রসিদেন্ট অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দি সি আমষ্ট্রোং, এম ও এগী সেক্রেটরী সুনিল এলাংবম অমদি অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর টি ঐচ অরুনা গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস):
গুজরাটকী অনন্দদা পাঙথোকখিবা নেসনল লেভেল (জুনিয়র) ভোবিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারুবা মণিপুর টিমদা য়াওরিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোটবুং মোদেল ভিলেজদগী এল পাউখোথাং লৌভুমগী মচানুপী চীন মাওকিমনা কে জি ৬৪গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল ফংলকপা অদুদা মফম অদুগী মীয়াম্না চহী ১৬তা ঙাইরিবা শান্নরোয় অদুবু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

নীংশিংবা য়াই, গুজরাটকী অনন্দদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা নেসনল লেভেল (জুনিয়র) ভোবিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা মণিপুরদা ১০রকশুবা ওইনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখি। টিম অদুবু মোটবুং বজারদা মফম অদুগী লুপ কয়ানা তরাম্না ওকখি।

# ২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস):
ওক্সু নীংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ওন এন ৱাই সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা '২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ও এফ এ পুংদোম্বম, টোপ এফ সী, তেল্লৌ এফ সীবু মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ও এফ এ পুংদোম্বমনা আর ৱাই সীবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। ও এফ এগী মায়কৈদগী কে ঐচ লকিসননা পাঞ্জল ২, পারিথোই, রতন অমদি ৱাই ইন্দ্রনাথনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শামু এফ সী মোইরাংপুরেলনা ৭-ষ্টার ওক্সু নীংথোমচা খুলবু পাঞ্জল ৬-০দা চাওনা থোইখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা টোপ এফ সী য়াইরিপোক্না এন ৱাই সী নোঙদমবু থোইখি। মরিশুবা গ্রাউন্দদা তেল্লৌ এফ সীনা টি ৱাই দল্লীয়ু ও তখেলবু মায়থীবা পীখি।

## ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস):
মোইরাং মল্টিপর্পোজ হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৪শুবা ঐচ বিরো এন্দ ঐচ ব্রোজেন মোমোরিএল ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এফ সী কুম্বী অমদি অমোফা একাদেমি মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা এফ সী কুম্বী অমসুং টি য়ু সীগা লম্বা তৌনবদা কুম্বীনা পাঞ্জল ৪-১দা টি য়ু সীবু মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা অমোফা একাদেমী অমদি শুগনু এফ সীগা লম্বা তৌনখিবা মেচতা অমোফানা ৫-৪দা থোইখি।



HL-B/6019/4 feb-5march



HL-B/5952/24dec-10Feb.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com